# চুড়াচান্দপুরদা লো লৈত্রিবা- কনানা ওইহল্লকপনো?

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ' শান্নখিবা-মশান্না কয়া, মরক মরক নীংশিংই - ফিবুল হাবী, অমাং কোয়বী, অৱা-শগোল তোংবী, চৈতেক কোৎপী, কিল্লা থুগায়বী... অসিনচিংবা। নুপীমচাশিংগীনা চাকথোংবী অমসুং লাইফদিবী... অঙাং ওইরিঙৈগী তাইবঙ- অহল ওইরবশিংগী তাইবঙদগী পূমতোং তোঙানবা তাইবঙ অমনি। অঙাং ওইবগী ৱাখলনা দিমান্দ তৌরকপা অপান্বা অমা ফংনবা, নীংঙাই তৌই ইমাদা নৎত্রগা ইপাদা। ঐবু খরা হেন্না লূনা তৌবীবা, দিমান্দসু শোয়দনা পীরক্কনি খনবা মঙোন দা। নীংঙাই মখল কয়ানি। অঙাং মখল মান্নদে। অহাওবা ঙস্মোক (অচাপোৎ) হেন্না চাবা ফংননবা নীংঙাই/পীবা শুকঙম ঙল্লোইদবা নীংঙাই। নীংঙাইসু মখল কয়ানি। 'পীকখ্রবা তোংজৈ মরীন'দা শামু লীত্তুনা চৎহল্লু' - হায়বা লমহেনবা অঙাংগী নীংঙাই, বীরবল'না অকবর'দা তাকপীখিবা পাড়া অমনি।

মে ৩, ২০২৩দগী কুকিশিংনা মৈতৈগী মথক্তা খঙহৌদনা লান্দারক্তুনা, মরাল লৈজদবা, খূৎলায় পায়দবা মীচম-মীয়ামগী মথক্তা চত্থরকখিবা মীওৎ-মীনৈ-মীহাৎ চত্থরকপদগী, মৈতৈনসু খূৎ হল্লক্তুনা ঙসি ফাওবা চত্থরল্লিবা তমথীরবা লান অমগী শক্লোন লৌরক্লবা ঈরাংসিগী মরমদা নৌনা অমুক ইদুনা রেকোর্দ হঞ্জিন্না খোংবা ঈশৈগুম, তানীংদবা ৱারী লীবগী থৌদৌ অদু তাদনবা - খঙদুনা লৈরবা ৱারীদু অমুক লীজররোই। অদুবু, ৱারেংসিদা ইগে কলম পায়খৎলুবা ৱাফমদি 'চত্থরিবা লান'সিগা মরী লৈননা কুকি-লুচিংবশিংনা চত্থরল্লিবা মখা তাবা থবকশিং অমদি অঙাং মচা, নীংঙাই ফত্তবা অমনা মমা-মপাদা তৌবা নীংঙাই মানবা ৱা কয়া ঙাঙলকপা অমসুং লোত্তুনা থল্লম্বা মশাগী মশক, মশানা তাকথোকচরকপা থৌওং কয়াসিগী মরমদনি।

ইগে খনবা ৱাফমসিগী মরমদা কোন্না লাকচগে। মশানা মশাবু অশিঙবনি, খ্বাইদই হৈথোই-শিংথোইবনি, লাইরিক হৈবনি খঞ্জরিবা কুকিশিংগী অপঙবা মপঙবা মতৌদু হান্ন'মুক্তং পাউদমজ গে।... 'মশাবু খ্বাইদই শিংবা/অহৈবনি খঞ্জবা মহাক্তুদই হেন্না পঙবা/খঙদবা অমা লৈতবনি'... হায়বা ৱাহায়দু ঐহাক মতম চূপ্পদা নীংশিংই। মরু ওইনা, হন্দক কুকিশিংনা, মখোয়গী খ্বাইদই হৈথোয়-শিংথোয়রবা- ওফিসর, ব্যুরোক্রেট, পোলিটিসিয়ন, সোসল ৱার্কর, চর্চ-লীদর পূন্নমক্কী চূংশিন্নবা কোক অদুনা চহী কয়া চঙনা, শেল চঙনা, শোয়দনা মায় পাক্লগদবা প্লান অমনি খন্না শেম-শারগা চত্থরকপা এটেক অমসুং মদুগী পাউখুম ওইনা মৈতৈশিংনা তৌরকপা কাউন্টর-এটেক ... নুমিৎ চামগা মাপন্নি শুরবা, ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট'না সাইলেন্ট-ওবজর্বর ওইনা য়েংলিবা লান অসিদা কুকিশিংনা ঙাঙলি-শক্লিবা, তৌথোরল্লিবা থবকশিংসি য়েংলুরগা তারুরগা মওন মওন খল্লকই। শাউনীংলম্বদগী নোক্লিংলকই। খল্লকই - মখোয়বু অশিংবা মীওইনা খল্লুরিবা ঐগী ৱাখলদু কয়াম শাথীনা লাল্লম্লবা! অপঙবা মী অমনা ঙাঙলকপা ৱা নৎত্রগা হংলকপা ৱাহং অমদগী অশিঙবা মী অমনা খঙহৌবা/তমহৌবা পাড়া অদুনা, অশিংবা মী অমনা খুল্লকপা পাউখুম নৎত্রগা ঙাঙলকপা ৱাঙাঙ তারগা অপঙবা অমনা তমহৌবা পাড়া অদুদগী শরুক লিশীং হেল্লি' - ৱাখল লৈবশিংনা হায়রম্বদু কুকিশিংগী ৱাঙাঙ তারুরগা নীংশিংলকই।

পাবীরিবা ময়ামসু খঙবীরমগনি - ঈরাংসি থোরকঙৈদগী কুকিশিংনা ঙাঙলল্লিবা ৱাঙাঙ অমদি তৌরল্লিবা ৱাঙাঙশিং! চীফ মিনিষ্টর বিরেনবু, মখোয়গী লৌরী-যূম্ফম/নুপী অঙাং কা'দা য়েৎলরবা কনাগুম্বা অমগুম, পর্সনেল ওইবা/লন্নাই য়েক্নবা অমগুম লাউথোক্লিবা করিগী? পূন্নমক খঙনরে। মৈতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটস দিমান্দ তৌবই ৱাহৌদা কোর্টনা পীরকপা য়াথং অমগী মায়োক্তা পাউথোং ওইবা রেল্লি অমা চৎলগা মৈতৈদা লান তাবা হৌখিবা... খূৎ হনবা নংদ্রিঙৈ চীংগা তাইনবা মৈতৈ তম্পাক লৌশিনগে তেমশীংনরুবা - থংনবা নুমিত্তা মৈতৈশিংনা লমন খুমদুনা ইম্ফাল সহর অমদি অতৈ তম্পাক লমদা খুন্দাবা কুকি খুলশিংদা লান্দারকখি। মখোয়না ওৎখি নৈখিবা, মীহাৎ থীনা হাৎখিবা, যূম মৈ থাদোকখিবা কয়াদুদি শুকপন পন্দনা, মৈতৈশিংনা কুকিশিংবু ওৎপীরে, ময়ূম মৈ থাদোত্তুনা ইথনিক ক্লিন্সিং তৌননবা হোৎনরে - ঐখোয় মৈতৈশিংগা লৈমিন্নবা ঙল্লরোই, মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা লৈতনবা তোখাইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমা শেমগদবনি হায়বা পোলিটিকল দিমান্দ তৌরকখি। মখোয়না খল্লি... 'ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিং মখোয়না হায়বা ৱাদুতমক তাগনি, মৈতৈশিংনা হায়বা ৱা, ফনমক চুম্বা ওইরবসু মনাকোংদা শুকহাপ হাপলোই'...। ৱাখলসিগী মরূ হুনখিবগী মরমসু হায়দোকচরকপনি মখোয়না - '২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা বি জে পিগী সেন্ত্রেল লীদর রাম মাধব অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্ম'গা তোঙান তোঙান উনদুনা য়ানবা অমা পুরকখি - বি জে পিগী টিকেট'তা কুকি এম এল এশিং য়াম্না পুথোকপা, লৈঙাক শেম্বা ঙমহনবা, পাউখুম ওইনা সেন্টরনা কুকিশিংগী দিমান্দ কয়া থবক শোয়দনা ওন্থোকপা' অসিনচিংবা কয়া। ৱাফম অসি কনাগুম্বনা হায়জিনবা নত্তে হেক্তমক, এন আই এ'দা পীখিবা এফিদেভিট'তা অইবা ওইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনি। 'বর্খা দত্ত'না লৌবা ইন্টরভিয়ু'দসু হায়দোকচরকখি '... কুকিশিংগীদমক ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমা শেম্বদা য়ানখ্রবনি, য়ান-ৱারোল ইদুনা খূৎয়েক পীনগদব'তা ঙায়রবা মতমদা মে ৩গী ঈরাং থোকচিল্লকখিবনি... হৌজিক্তি সিচ্যুএসন হোংলবনিনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল য়াররোই, মণিপুরদগী মপূং ফানা তোখাইবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি নত্তবা অতোপ্পা এরেঞ্জমেন্ট অমত্তা ঐখোয়না য়াবা ঙল্লরোই'...। ৱাফমসিনা ময়েক শেংনা তাকথোকচৈ - মে ৩গী ঈরাং অসি হৌদ্রিঙৈ ইন্দিয়া লৈঙাক্তা কুকি লালহৌবশিংগা লৌতুনরগা মণিপুর মচেৎ তাহনবগী ৱারী, হান্নদগী হৌরম্লে। খোই-মহুমদা চৈনা থিল্লুরবদি খোই খরা পাইথোরকপা, থিল্লুরিবা মীশিংদা তান্নদুনা চিক্লুবা-মহৌশাগী পথাপনি। মহৌশাগী পথাপ্তুনি মৈতৈশিংনা ইল্লুবা। চুড়াচান্দপুরগী মৈতৈ খুল, তাম্থোকখ্রবা মতুংদা তেমথোক্তুনা লম্মাং ওন্থোকপা, মৈতৈ মশক উহল্লরোই, মৈতৈলোনসু ঙাঙহল্লরোই লাউথোকপা- মদুবু কৌই ইথনিক ক্লিন্সিং। থৌওং অদু মৈতৈনা কদায়দবু তৌখিবগে? তেনৱা'না মীরোল লোনবগুম, লোন থোকপা মানবা কুকি লমহেনবশিংনা ৱাখল তাদ্র'সু এম এল এ তরা অদুদি 'লৈবাকসিগী অপূনবা শক্তম ঙাক্কনি' কন্সটিট্যুসন পন্দুনা ৱাশকখ্রিবনি। মখোয়নসু কাইহৌদুনা খৎনবা হৌবা, ইথনিক ক্লিন্সিং তৌরকপা, সেন্ত্রেল-ষ্টেট অনীমক্কী কুকি এমপ্লোয়ীশিং, ইম্ফালগী এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মহৈ তম্লিবা কুকি মহৈরোয়শিং অকক্নবা মতম থাদুনা চুড়াচান্দপুরদা হল্লক্নবা খঙহনখিবা, মখোয়গী দিমান্দ ফংদ্রিফাও' য়েক্নবা ওইনা লাউথোক্লবা মৈতৈগা লান শোক্লগনি লাউথোকখিবা... অদুগা, হৌজিক্লা অমুক - চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী, চান্দেল, তেংনৌপালগীদমক তোখাইবা চীফ সেক্রেটরি, দাইরেক্টর-জেনরেল ওফ পুলিস অমা অখন্ননা হাপ্লগা চুড়াচান্দপুরদা ফমহল্লু... রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা কুকিশিংগীদমক অখন্ননা লুপা ক্রোর চামঙা প্রাইম মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দ'দগী পীবিয়ু হায়বা দিমান্দ। মথোঙ মরম খঙদবা, চীনগা খূৎকা মান্নদবা, ওইদবা ঙাঙবনা মরমচৎ ওইবদুনা কুকিশিংনা মালেমগী মফম অমত্তদা যূম্লোন কৈরোন্নবগা নুংশিননা লৈমিন্নবা হৈতবনি, হাৎন-শুনবা থোকপনি হায়নবদু চুম্বা তাই। হৌজিক্কী মণিপুর-ৱাথোকসি নৈনবগী, কেপিটেল টিভি'গী চীফ এদিটর ডাক্টর মনিস কুমারনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা সুপ্রিম কোর্টকী এদভোকেট 'অশ্বিনি উপাধ্যায়' না হায়খিবদু মখোয়বুসু তাহনবা/খঙহনবা তঙাইফদে। মহাক্না হায়খিবা, শাংলবা ৱারোল অদুগী শন্নপ্পা ৱারোল অসিনি... 'কুকিশিংনা লম হেল্লিবা, মখোয়না লৈরু-লৈরুরিবা লমদমশিংদুগী লো'না থোকহল্লকপনি... মখোয়না চৎলিবা শাজৎ অসি চাইনা'গী প্রোভিন্স অমত্তদা লৈরগা চৎপা ওইরম্মু-নীনি শুনা লৈবা ঙল্লোই... ইন্দিয়ন লোগী প্রোভিজন অমত্তনা কুকিগুম্বা কাঙলূপ অমবু ৱারক-ৱাতেম তৌদুনা নোর্মেল ওইহনবা ঙল্লোই... লমহেনবা কুকি চামা-চনীদং ফাঁসি তৌদুনা হাত্তোকউ, ময়ূম-মকৈ থুগাইয়ু, নোংঙানবগা য়েংসি মরমচত্তু হোংদবরা... কয়াম কুইনা লম হেনবগে'...।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, এসেমব্লিগী স্পিকর... মখোয় অনী কৈদৌরিগে? হায়বা য়াবা হায়রে'না! য়েংবা য়াবা য়েংলে'না! কুকি এম এল এ তরা'সিবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইনা, মখা তানা শাংথনা লৈনবগী মশাগী হক লৈরি হায়না লৌবীবরা? অদুগা, মখোয়বু নাউ চাউহল্লিবা, মমা-মপানা ৱারকপা ঙমদ্রবা, লমহেনবা মচা অমগুম্বা লমকেৎপা লেজিসলেটর অমা ওইহল্লিবদি মরু ওইনা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ'নি। মথংদা প্রাইম মিনিষ্টর! এম এল এ তরা'না ওগষ্ট ১৬, ২০২৩দা ইখিবা চিঠি'দুদা পি এম ও ওফিস'কী রেস্পোন্স করিনো? চিঠিদুগী মরাইবক, খূৎয়েক পীখিবা তরাদুখক নত্তনা, লমদমসিগী মীয়াম পূন্নমক্লা খঙনীংই।

অদুগা, ইন্দিয়াবু মথম্মোয় শেংনা নুংশিজবা শারিবা, ইন্দিয়াদগী তোখায়গে হায়বা নত্তে, মৈতৈশিংগা লৈমিন্নরোই মণিপুরদগী তোখায়হনবীয়ু হায়বনি হায়জরিবা মখোয়না, ইন্দিয়াবু কয়াম' নুংশিরম্বা, ইন্দিয়াবু কয়াম' মশক খঙলম্বা হায়বদু ওগষ্ট ১৫, ২০২৩- চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকপা ইন্দিপেন্দেন্স দে'দা মশক তাকথোকচখ্রে। ইন্দিয়ন-ফ্লেগ (মচু অহুমগী ফিরাল) লান্না শীজিন্নবা হায়বসি ঙাকপীফম থোক্তবা মরালনি, ইন্দিয়াবু শীংনবনি, চৈরাক পীদনা তোকফরোই। 'খঙহৌদরে, ঙাকপীয়ু' হায়রগা ঙাকপীবা য়াবা মরাল নত্তে। ফিরাল পায়দুনা (পেরেদ) চৎলিবা কন্টিঞ্জেন্টশিংদুনা ম্যান্মার (বর্মা) দগী লাকপা ওইবগী 'ইন্দিয়ন ফ্লেগ-কোদ' খঙদ্রবসু ফিরালগী সলামি ওল্লিবা 'সেন্ত্রেল য়ং মিজো এসোসিএসন' গী প্রসিদেন্ট মাদি খঙফম থোকপনি... 'ইন্দিয়ন ফ্লেগ হাইথদুনা মঙোন্দা সলামি পীরিবদু, ইন্দিয়ানা মঙোন্দা মঙক নোল্লি হায়বনি'...। ইন্দিয়ন নেসন'দা কয়াদা চাউখ্রবা ইন্সল্ট'নো! মহাক, চৈরাক ফংদনীংঙাই মরম করি লৈ? দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিং- দি সী অমসুং এস পি অনীনা য়েংদুনা লৈহৌরিবনা করিগী? অফবা মখলগী নোংমৈ পায়বা কন্টিঞ্জেন্টশিং - পেরেদ য়াওহল্লিবদুনা করম্বা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা? নেসনল সিক্যুরিটিদা শীংনবা - 'সিবু হেনবা করি লৈ? ইন্দিয়া নীদস এন এক্সপ্লেনেসন ফ্রোম দ প্রাইম মিনিষ্টর। নৎত্রগা, পূন্নমকসি ইন্দিয়ন মিলিটরি/ইন্দিয়ন আর্মি'না থোকহনবনি হায়বা করম লানগনি? ●

*-ইন্দ্রকুমার*

# অমুদো খোইমুগী ওইখিদো

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দা খঙহৌদনা চুড়াচান্দপুর রোমদগী তম্পাক তম্না ওন্থোক্লা থুনা য়াঙনা খূৎতা নোংমৈ-ও, থাঙ-তেন-ও পায়দুনা মৈতৈগী যূম কৈ কয়া মথং-মথং মৈ থারক্লগসু ইম্ফাল সহরদদি ঈরাং অসি য়ৌরক্লোই খল্লম্মী। অদুবু মৈতৈদা লান হৌরল্লিবা কাঙলূপ অদুসু তম্পাক্কী মচি-মচিদা খুন্দানা লৈনবনিনা খঙহৌদে মখোয়না তাবা মফম খরদা খঙহৌদনা অশাউবনা খম থেংলবা মৈতৈ নহারোল কয়া-কয়ানা যূম কৈ কয়া মাঙ তাকহল্লম্মী, মখোয় অয়াম্বনা হান্না চেন্নরম্লে, মখোয়না মৈতৈদা তৌরল্লিবা লান অসিদা, অসুম্না তমদা খুদোংথীবা থোক্লনি, পাউ হান্না খঙনবা মাল্লি। অদুবু লৈঙাক্কী থবক তৌবা ওফিসরশিংদি অয়াম্বনা লৈঙাক্কী ক্বার্টরদা ঙাক শেল্লগা লৈ, অদুবু কাঙলূপ কাঙলূপ খায়দোক্নরগা তৌনরকপা লান ওইবনিনা। ওইরল্লিবা মতৌ অদুদা মথ্বায়দদি হিংহৌনবা ইম্ফালদা লৈবা শেঞ্জাও পায়বশিংদি অয়াম্বনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী মপান্দা চেলহৌনবা কুকি ফুরুপকী মী লিশীং কয়া কয়ানি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থোমজিন্নরল্লিবা, অদুবু য়াল্লবা মীশিংদু এরোপ্লেনদা তোংবা অমুক্তংদা ওইথোক্তে। অদুবু মচিৎ মচিৎ হোন্দোকখিবনা মশীংদি খরা তারক্লে, টিকেটকী মমল লুপা লিশীং ৩০/৪০ ফাও য়ৌনখি হায়নৈ।

তাল্লক অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদা অচৌবা ফম পায়রিবা ডা. মর্সিনা, মানা ওন্থোক্লা নুংশিনা লোয়জবা মুশুক মুবা নোইতক তৌবা Labrador অদু করম্না পুরগা মণিপুরগী ৱাংমদা চেনগনি খল্লম্মী। হুই অদুগী মমিংসু অমু থোনবী। তশেংনা ডা. মর্সি, মাগী শিনফমসিনা মৈতৈশিংগদা লোয়নবা ডাক্টর অমা ওইবনা মৈতৈ মচাশিংনা লুনা চান্না লোয়নৈ। অদুনা হন্দক থোরল্লিবা ঈরাং অসিদা, মৈতৈ মচা ওইজরসু, মাগী ষ্টাফশিংনা করিসু তৌরক্লোই হায়বগী থাজবা লৈবনা অয়ূক অঙনবদা, মল্লিঙৈদা মাগী দ্রাইভর খোইমুদু কৌরম্মী মোবাই ফোনদা... ক্রিং-ক্রিং... "ঐখোয় মেদামনিনে করি তৌরজাৎনো"

ডাক্টরনা হায়- "ইবুংঙো খোইমু- মেদামনে"

- করি ওইরবনো

- "নঙ ঐবু এয়রপোর্ট ফাওবদা মল্লিঙৈসিদা থিনবীয়ু। ঐ য়াম্না সিরিয়স ওইরে, নঙনা ঐবু লৌবা লাক্ত্রদি ঐ শোয়দনা খুদোংথীবা নংলনি, ঐ ইতোমদা চৎপা য়াবনি অদুবু গাড়ীদু থৌগদ্রা, ঐনা লুনা লোয়জবা অমুবু শেন্নগদ্রা, অদুগা গাড়ীনা কনাদা পীরম্বা, ঐ মুন্না খল্লবা তুংদা ঐ নঙোন্দা ফোন অসি তৌরকপনি।"

- "য়েস মেম, ঐ লাকচরগে..."



খোইমুদি মোইগী মেদাম হোয়দা তোয়না অদুম থবক-ইনখাংগী চৎপদগীসু মাগী হুই অমুদুগসু ওন্থোক্না চান্নজৈ, অমুনা খোইমু লাক্লগা য়াম্না হরাওজৈ। মরমদি খোইমুনা লাক্লদি অহাওবা মিট চাবা ফংই, অমুনা খঙবগীনি.... খোইমুনা মোইগী মেম হোয়গী গেট হেক হাংবগা অমুনা হরাওমনখিবনা চোংব-ও, ফৈব-ও মমৈদুনা ফদৎ-ফদৎ, খোইমুদা কোনশিল্লগা লেপখৎলি।

খোইমু লাকপদা ওন্থোক্না হরাওখ্রে অমুদো। অমুদো হুই ওইরসু মীগা চপ মান্নে, মানা মনম অমুক নল্লগা খঙখ্রবা কাউগন্দে। হন্দক্কী ঈরাংসিদা ডা. মর্সিনা ওন্থোক্না নুংঙাইত্রিসি অমুগী খল্লুবগীনি। অয়ূক খুদিং মাগী অমুনা হৌদোকপীরগা ডাক্তরদুগা ৱাকিং হেক হেক চৎমিন্নবনি। ডা. মর্সি অয়ূক্তা ঘড়ী য়েংদ্রসু য়াই, মাগী অমুনা হেক হেক ৱাকিং চৎলসি লাও হায়দনা ফমুং ময়াদা চঙলক্লগা হেক হেক ঙংলকপদা চত্তবকা য়াপোনতে। অমুবু চাং নাইনা ইরুজবীবা মীসু খোইমুনি, পূন্নমকসিগী খল্লগনি ডা. মর্সিনা খোইমুবু অথুবগী ওইনা থৱায় হিংহৌনবা চেন্নবা হোৎনবদা কৌরল্লিবা।

খোইমুনা মোইগী মেমগী ক্বার্টর লম্ফেলদগী মল্লিঙৈদা ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা থিনবিরে। ডা. মর্সি নে তারে, সেফ ওইরে খঞ্জরে। খোইমু এয়রপোর্টতা অদুম লৈ, এয়রপোর্টকী ষ্টাফ ময়াম লাক্ত্রিফাও। ডাক্তরদু কোইচেন চেল্লি। অমদা অমুক হং, অমদা অমুক হং, ফ্লাইট টিকেট ফংনবগী চেনবা মাল্লি। খোইমুদি থাপ্লপ্পা অমুগা লৈমিন্নে গাড়ী মনাক্তা। মেদামনা খোইমুদা হায়রকই - "খোইমু ঐ টিকেট ফংলে লুপা লিশীং ৩০দা, দেল্লী ফাও। অমুগীদি য়াররোই হায়রক্লে, অদো খোইমু ঐগী অমুসি নঙ লুনা তৌবীয়ু। নঙনা নঙগী যূমদা লোয়বীরো, অদো ঙসি নঙনা থৌরল্লিবা গাড়ীসিসু নঙনা নশাগী লোয়জবা গাড়ীনি খল্লগা থৌজহৌরো" হায়রম্মী। অদুগা মেমনা অমুগী মমায়দা ওন্থোক্না নুংশিনা চুপ্পী মদুদা অমুসু মপি ইরা চেনবা মাল্লি, ডাক্তরসু মপি ইরা চেনবা মাল্লি। অমুদা হেন্দ সেক তৌবীরম্মী। অসুম্না হন্না-হন্না য়েং-য়েংদুনা ডা. মর্সি মণিপুর থাদোক্তুনা লান চেনখ্রে দেল্লীরোমদা।

মে ৪গী অয়ূক্তু তম্পাক্কী মীপূম খুদিং চাক্লল্লিবা লাম্নৈ অসিগী মৈখু মরক্তা খাঙবা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎলক্লে। মায়কৈ মায়কৈদা ঙমখৈ ঙাকপা নহারোল কয়া কয়ানা অকিবা হায়বদু মশাদগী মাঙখিদুনা মমা লৈবাক্কীদমক চোংথোরক্লে, লোয়ন-লোয়ননা ইমা-ইবেন, ইচল-ইচেশিংনা খূৎতা মৈরা পায়দুনা অহুমশুবা নুপীলাল হায়বদুগী মশক উথোকপা ঙল্লক্লে, মণিপুরগী ঈরাং লাকশিন্নবনি হায়দনা এরোপ্লেনদা মপান্দগী হোনজিল্লক্লিবা ময়াং সিফাইশিংদুগা মৈতৈ ইমা ইবেলশিংদুগা ওন্থোক্না চান্ননা লম্বা হেক পান্নখি। টিয়র গ্যাসকী অকিবা ফাওদে মৈতৈ নুপীদা, কোক্তা কোকশেৎ, খ্বাংদা খ্বাংশেৎ তম্পাক লমদম শিন থুংখিদো। অশোকপা কয়া-কয়ানা খুজিং ওই। মণিপুরগী তম্পাক পূম্বা এম্বুলেন্সকী সাইরেন মখোলনা পূমনিল নিলখি। অশি-অনাগী পাউনা মণিপুরগী পাউ ওইখি।

মতম খরা লৈরগা ডা. মর্সিনা খোইমুদা ফোন তৌরকই - "খোইমু ঐগী অমুদুবু কমদৌরিগে"

খোইমুনা খুম্মী - "কৈসু তৌদ্রে, মেমনা চৎখিবা নুমিৎতুদি মা য়াম্না খোংখি, নুমিদাংদুসু য়াম্না কপখি। হৌজিক হৌজিকমক অমুগা ঐগা ৱাকিং চৎমিন্নরি... "ঐনা অহানবা অমুবু উজবা নুমিৎতা অসিগুম্বা হুই অমত্তং লোয়নীংখিবদু ঙসিদি অমুসি ঐগী তাওবা হুই হায়বদু ওইবা ফংজরে মেদাম। ঈরাং ফরক্লগা অমুক উনখিসি মেদামসু তেক্তা কায়দনা লৈবিয়ুকো!! ●

*- আর কে বুধিমন্ত কর্টা*

# বেদ হাৎত্রিবা ফাওবা হিরো শিদে

অহল লমনশিংনা হায়নবা ফত্তবগী হীদাক লৈতে, ফত্তবা হায়বসিসু ফত্তবজাৎনি। সিনেমাদা বেদকী রোল লৌরিবা ৱারীদা ঐখোয়না খঙই, বেদ হায়বসি য়াম ফত্তে। ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা অঙাংশিংদি বেদ থোরকপদা কপ্পা ফাওবা য়াওরিবনি। ফৎখিদ্রবা বেদ অদু মায়থীবা পীখিদৌরিসি হিরোনি। বেদনা তৌবা ঙমদবা লৈতে, খুদিংমক লোন্না থুপ্পা লোইনা তৌই। মোইনা তৌরুরিবা থবকশিংগী চৈরাক হিরোনা তপ্পা তপ্পা পোলোইদা মায়থীবা পীখিবনি। থবক খুদিংমক হান্না তৌবা থবক্তি বেদনা হান্না হৌদোরকপা ওইবনিনা হন্দক্কী ইরমদম অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসি কনানা হান্না হৌখিবনো? লোন্না তৌবনা কনাননো? ফোঙনা তৌবনা কনানো? ঐহাক্লা তাহৌখিবা-উহৌখিবা খরদি- মসি কুকি হায়রিবা ফূরুপ অসিনা হৌখিবা মখোয়না পান্বা দিমান্দ অমবু গভর্ণমেন্টদা তাইনবা ঙমদ্রগা মীতৈ মীচমশিংদা তাইনখিবা, থিঙেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাশিখোংদা তাইনরিবা হায়দুনি। নত্তে, মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দসি মণিপুর গভর্ণমেন্টদরা নৎত্রগা মীতৈ মীচম মীয়ামদরা? তৌরিবা থবক্তুবু করিনো হায়বা শুকখঙ খঙহন্দনা লুম্ফু তৌদুনা প্রি-প্লান তৌদুনা মীতৈ মীচম মীয়ামগী লন-থুম, যূম-কৈ মাঙহন-তাকহনবদগী হেন্দোক্তুনা মমল নাইদ্রবা মীওইবগী পুন্সি কয়াবুসু মাঙহনবীখ্রবা, লোন্না থুপ্পা তৌরিবা থবকশিং অসিবু মখোয়দা বেদকী মীংথোল পীরোইদবগী মরম লৈতে। খূৎলায় পায়বা নৎত্রগা অঙম অথৌশিংদা লান্দাবা নত্তে, মখোয়সি মীচম মীয়ামদা লান্দাবনি। অঙম অথৌশিং, মপি-মপাশিংদা মখোয়গী অপান্বা ফোঙদোকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়বসু হায়দে, মদুগী মহুত্তা নোংমগী হুমাং তাবমখৈ শূরু নোল্লুরগা ফংলকপা খরদুনা মচা-মশুশিংগা চামিন-থকমিন্নদুনা নুংঙাইনা পোত্থাজরিবা চমজরবা মীতৈশিংদা এটেক চত্থরগা দিমান্দ ফংগনি খল্লিবা নখোয় বেদনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

ঙসি ফাওবদা ইরমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা ফূরুপ ময়াম অসিগী মরক্তা মীতৈ ঐখোয়না মীশিং য়াম্মী হায়রবসু মীতৈ ঐখোয়না ফূরুপ অমত্তবু তাথী-তাওইবা, মীফা-মীপূন, ওৎপা-নৈবা, হাৎপা-তুপ্পা অমত্তা তৌখিদ্রি। ফূরুপ অমত্তবু হস্তনা য়েংখিবসু থেংনখিদ্রি। অদুগা মীতৈ ওইরিবা ঐখোয়দদি ময়াম অমা তত্তনা থোক্লি। নখোয়-নখোয়গী অপান্বা অমা ফংদ্রগা হাৎপীখিবা, ফূবি-চৈবীরকপা, মসিদা নত্তনা লম্বী থিংজিনবনচিংবা কয়া তৌদুনা মীতৈ ঐখোয়দা অদুমক তাইনদুনা লাক্লি। মদুদা নখোয়বু ঐখোয়না য়েক্নবা ওইনা লৌখিদে। নখোয়সু ঐখোয়গী ইচিল ইনাওনি, নখোয়সু মণিপুরীনি, গভর্ণমেন্টসিসু নখোয়গীনি খন্না খা চিত্তুনা খাঙলিবনি। নখোয়গী নশাদা মণিপুরগী অশেংবা ঈ চেন্দ্রে, য়ানশিন্নবা ঈ চেল্লবনিনা নরমদম নজাতি নুংশিবগী ঈ য়াওদ্রবনিনা নখোয়বু ঈ মরী ওইবগী নুংশিনবা মাঙলকপা তাবনি।

মীওইবা হায়বসিগী ৱাহন্থোক খঙদ্রে, মীনুংশি লৈত্রে, শাগা পাঙ্খক ওইরে। ইচিল ইনাও ওইবগী মরী থদৎপা পাল্লিবা নখোয়দি বেদ হায়বদুনি। ঙসিদি নীংশিংলকই মতম অমা ঙসিদগী চহী ১৩/১৪ রোমগী মমাঙদা ঐঙোন্দা থোকখিবা থৌদোক অমা - হিংনবগী লানফমদা অফং-অফংবা থিজবদা জিরিগী পি দল্লিয়ু দি ওফিসকী থবক খরা শূজখিবনি। থা ৫/৬ চঙনা থবক অদু লোইশিল্লন্লগা যূমদা থোরকপা নুমিৎনি। নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অমগী লুচিংবনি হায়বা অমা উখ্রুলগী মফম অমদা লাক্কনি হায়বা পাউদা যূম্ফম ওইরগা, মতমদুদদি লালহৌলূপ অদুগী দিমান্দ অমদা ইরমদম মণিপুরগী শক্তম কায়গদবা মরম খরা লৈবদগী লুচিংবা অদুনা লাকপদু মতমদুগী লৈঙাক্লা মহাক লাকপদা অথিংবা থমখি। মহাকপু লাকহন্দে হায়বগীদমক মহাকপু শৌগৎপশিংনা মীচম মীয়াম ঐখোয়গী লম্বী-থোং থিংজিনবা, গাড়ী চৎহন দবা শম্না হায়রবদা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌখি। নুমিৎ অদু খুদক্তা ওইখিবা ফীভম্না থোকহনখিবনিনা ঐহাক জিরিদগী নোনে ফাওবা য়ৌরকপদদি মখা তানা ইম্ফাল য়ৌবা ঙমখিদে। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা ঐখোয়বু চৎহনখিদে, নুমিৎ অদুদা নুপী অঙাং য়াওনা ঐখোয় ময়াম অমা চীংমী অমগী চাগী হোটেল অমদা পুল্লপ লৈবা তাখি। হোটেল অদু চীংমীগী ওইরসু ঐখোয়বু লুনা চান্না তৌবীদুনা চংজফম পীবিদুনা অহিংদুমা লৈখি।

মনাক নকপদা লৈরিবা অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসতা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা নৎত্রগা ঐখোয়বু ইম্ফাল য়ৌনবা শিনবীয়ু হায়জরবসু পাম্নে লৈখিদে। অহিং অদুদা মশীং য়াল্লবা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেল অদুদা চঙলকখি। ঐখোয়দা ওইনা তাইনবগী ফীভম লাক্লবদা মখোয় অদুগী মরক্তসু য়াওরম্মী মীচম ঐখোয়দা তাইনবা য়ারোই, মখোয়গী মতু নাম্মা শোকহনবা য়ারোই হায়দুনা চোংথোরকখিবা চীংমী ইচিল ইনাওশিং অদুগী থম্মোয় ঐহাক ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদ্রি।

নোংঙাল্লগসু ঐখোয়গী গাড়ী চৎহনখিদে, গাড়ীগী মিংশেল খরদি থুগাইবীরম্লে, অদুবু ঐখোয় ময়ামগী পূক্লিংদি লৈতাফম খঙখিদে। উচিন নাচিন্না বোদি য়াওবা টাটা গাড়ী অমদা ঐখোয় চংলগা চং শিরগা শি হায়দুনা পুল্লপ টাটা অদুদা তোংখৎলে, দম্বুরনা বোদি অদু কুপশিল্লে, দ্রাইভরগী মীৎয়েংফম মচা অমত্তং ফাৎলগা ঐখোয় থুনা য়াঙনা গাড়ী অদু থৌদুনা লাকখি। লম্বীদা নূঙ থারকখি, নাউরি কাপশিল্লকখি অদুবু ঐখোয় অমত্তা শোকহৌদে। নোংমৈদি মরূ অমা ফাওবা কাপ্লক্তে। লম্বীদা আর্মি নুপী সিফাই অমগী মতেংদগী যূম য়ৌরকখি।

থৌদোক অদু ঐখোয় মখোয়দা শাউখিদে, করিসু খঙজদবা ঐখোয়দা মখোয়না তৌরকখিবা ময়ামদো ঐখোয়সু করিসু হায়খিদে অদুগা পাউসু তমথোকখিদে। অদুনা হন্দক চুড়াচান্দপুরদগী হৌরকখিবনি হায়রিবা ঈরাং অসি নোংমৈনা হৌরিবসিগী মরমসিনি ঐখোয়না খনফম খঙদ্রিবসি। করিগুম্বা মখোয়না ইচিল ইনাওগী ওইবা মরীদা তৌরম্বা ওইরবদি মখোয়সু করিনো অমদি তৌরমগদবনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা য়েক্নবদা তৌগদবা থবক্তু তৌরক্লবনিনা নখোয় বেদ হায়বদু ওইরবনি। লান তৌবা হায়বসি নখোয়গী লাইনীং-চৎনবী ওইরবা নৎত্রা? অঙম অঙম হাৎতোক্নরগা অচুম্বা খোঙথাংনি খল্লবদি বোম তোপ্পা, নোংমৈ গুলিনা পাল্লগা শিখিবদু ইশানা ইশাগী মতিং খঙনদে, অদুনা শয়েং পাম্বোম ফূদোক্নদুনা পাঙ্গল চাংয়েংনসি হায়বদা নখোয় থোরকপা ঙমগদ্রা? মদু ঙমদ্রবদি অরোনবা লাল্লোং য়াৎতুনা লূম্ফু তৌরিবা নখোয় সিনেমাগী বেদনি, ফিল্মগী হৌরকপা ৱারীদা বেদনা লাকচরবসু অরোইবা শরুক্তদি হিরোনা ঙম্বনি। হিরোদি নোংমৈনা পাল্লবসু তাইবঙ শেম্বা মপুগী অচুম্বা হায়বা মতিক ময়াই অদুগী মরুমদা বেদ হাৎত্রিবা ফাওবা হিরো শিদবনি। ●

*- অতোন লৈশেম্বা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১) **"লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **"পাউখুম"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **"ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা/নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।"** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **"সাহেবকী থৌজাল"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।